# লৈবাক শিন–থুংনা চত্থরিবা নুমিৎ নীনিগী জেনরেল ষ্ট্রাইক মায় পাক্লা চত্থরিঃসোতিনকুমার

ইম্ফাল, জনুৱারি ৮ঃ
শিন্নীবু শিংনবা ইন্দিয়া লৈঙক্কী মায়োক্তা সেন্ত্রেল ত্রেদ য়ুনিয়ন অমসুং এমপ্লোইয়ি লূপশিংনা কৌখিবা লৈবাক শিনবা থুংবা নুমীৎ নিনিগী জেনরেল ষ্ট্রাইক অতৈ ষ্টেটশিংদদা নত্তনা মণিপুরদসু চামদা–চামা মায় পাক্লা চত্থরি হায়না কো–ওর্দিনেটিক বোদি ওফ ত্রেদ য়ুনিয়ন্স মণিপুরগী চিয়ার্মেন লাইশ্রম সোতিনকুমারনা ফোংদোকখ্রে।
ঙসি ইরাৱট ভাবন ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা সোতিনকুমারনা হায়খিবদা, ষ্টেটসিগী ওইনা এমতুক অমসুং এমজিইওগী জে এ সিনা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদা য়াওশিল্লকপনা অমুক্কা হেন্না মায় পাকহল্লে।

মহাক্না হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টদা লৈরিবা ভি দি এফ ১০,৫০০ অমসু হোমগার্দশিংনা জেনরেল অসিবু মপুং ফানা শৌগৎলি। বেঙ্কগী পুন্নমক্কী অমদি লাইফ ইন্সুরেন্স সিলচর ব্রাঞ্চকী ইম্ফালদা লৈরিবা ষ্টাফশিং ঙসিদগী থবক লেপ্তুনা শরুক য়ারি। লৈঙাক্কী ওফিস পুন্নমক থবক লেপখ্রে। গভর্নমেন্ট অমসুং লনাইগী হোস্পিতালগী নর্সশিং, দ্রাইভর য়ুনিয়নশিং অমদি দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা লৈরিবা কন্ত্রেক্ট, কেজুয়েল অমদি মষ্টররোলগী ষ্টাফশিংনা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদা মপুংফানা শৌগৎলি।
থৌবাল অমদি মোইরাংদা অঙ্গনৱাদি, অসা অমদি মিদদে মিল হায়রিবা স্কিমশিংগী অসিগী ৱাকরশিং লম্বীদা থোক্তুনা খোঙজং কয়া চং শিল্লি। কলেজ অমসুং হায়স্কুলগী ওজাশিংদা নত্তনা পেন্সন্নরশিংসু জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিবু শৌগৎলি। ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অমসুং সোপ এন্দ ইষ্টাব্লিসমেন্টদা থবক তৌরিবশিংসু শরুক য়ারি।
মহাক্না হায়,সেন্তরদা শক্তি পায়রিবা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক অসিনা লেবর লো কয়াবু শেমদোক্তুনা লায়রবা শিন্নীশিংবু শিংনবদা নত্তনা লৌমীশিংবু নমথবিরম্লগা অচৌ–অচৌবা মল্টি নেস্নেল কোর্পোরেসনশিংদা কোক থাধদুনা লৈখিববু য়ানিংদবা অদু ফোংদোক্নরকপদগী জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি লৈবাকসিদা মায় পাক্লা চত্থরি।
জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিগী দিমান্দদা য়াওরিবা থা অমগী খুৎশুমল অসি লুপা ১৮,০০০ ওইগদবনি হায়বসি মতমসিগা য়াম্না চুনরবা ৱাফম অমনি। মরমদি পোৎ–চৈ তাংখৎলকপা, প্রাইভেতাইজেসননা মরম ওইদুনা অনা–লায়েংবদা অমদি মহৈ–মশিং তম্বদা নোংম–নোংমগী শেল চংবা হেনগৎলক্লি। শিন্নী নত্রগা কর্ম্মচারি অমনা নোংমদা লুপা ৬০০ ফংদ্রবদি ইমুং পুবা ঙম্লোই, চরা হেল্লক্কদৌরিবনি।
মরম অদুনা, য়াম্না মরম চানা চং শিলক্লিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি হয়েং নুমীদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা মপুং ফানা শৌগত্তুনা মায় পাক্লা চংশিনখিগনি হায়না সোতিনকুমারনা মখা তানা ফোংদোকখি।

# সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌরগনি হায়না লাউথোক্লম্বা হকচিন্না লৌইঃ এন এস য়ু

ইম্ফাল, জনুৱারী ৮ ঃ ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদগী হনখ্রগা সিলচরাদ পাঙথোকপা মীয়ামগী থৌরম অমদা সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ পার্লিয়ামেন্টদা পাস তৌরগনি হায়না লাউথোক্লম্বা অদু নেস্নেল্ল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মণিপুর ব্রাঞ্চনা হকচিন্না কন্দেম তৌই হায়না ব্রাঞ্চ অসিগী ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি এন শ্যামান্দনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে ।
ইম্ফালগী বি টি রোদা লৈবা কোংগ্রেস ভবনদা লৈবা ব্রাঞ্চ অসিগী ওফিস্তা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখাতানা হায়, নেসোনা সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ অসি য়াবা ঙম্লোই হায়না গভর্মমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা খঙঙনখিবা লৈখ্রবনি। এম পি মোদিনা বিল অসি পাস তৌরগনি হায়না ৱঞ্চফম অসিনা নোর্থ ইষ্টতা খুন্দারিবা য়েলহৌমীশিংদা চাউনা গ্রেট পীরে। হায়রিবা বিল অসি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা বিলনি। রিলিজনখক্তদা য়াওবা ওইবগা রিফ্যুজিবু মাইগেন্ট ওইনা ক্লঞ্চসিফাইদ তৌরগা ইন্দিয়া সিটিজন ওইহনগনি হায়বসি কন্সটিট্যুসন অসিবু শীংনবনি।
অমরোমদনা মণিপুরদা য়েলহৌমী কন্জনবা এক্ত শেমগদবনি হায়না কন্না লাউরিঙৈ চৈরকসিদা সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ পাস তৌদুনা চৎনহনল্লবদি য়েলহৌমীশিংগী মরাইবক তম্বা ঙমল্রোই।
অসামগী এন আর সি অসিসু এক্ত ওইদুনা চৎনরকপা মতমদদি য়ুম্লোন্নবা ষ্টেট মণিপুরদা চাউনা চৈথেং ফংগদৌরিবনি। চৈরক অসিদা সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি অমুক চৎনরল্লবদি মণিপুর অমদি নোর্থ ইষ্টকী মফম কয়াদগী য়েলহৌমী মুৎহনখিবদা পুং ২৪ ফারোই। মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মীয়াম্না বিল অসিগী অফবা অমসুং ফত্তবা অসি মমুৎ তানা নৈনবিয়ু। য়েলহৌমীশিংগীদমক্তদি বিলঅসি হিরম অমত্তদা ফনিংঙাই ওইদ্রে।মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং অতৈ অতৈ মিনিষ্টরশিংনা বিল অসিগী মায়োক্তা লেপ্লিয়ু। বিল অসিগী লৈঙাক্লা কেবিনেটকী থাক্তা ৱারেপ লৌদুনা বিল অসিগী মায়োক্তা লৈরি হায়বুদ উৎপিদুনা মণিপুরী মীয়ামগী পূক্লিং ফাথবিয়ু হায়নসু চীফ মিনিষ্টরগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

# সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল লোক সভানা...

*লমায় ১গী মখা* ইন্টিগ্রিদা শাথীনা খুদোংথীবা থোকহল্লগনি। অসাম একোর্ডপু ইকায়খুম্নবগী ৱাফম লৈহনদ্র। কন্সটিট্যুসনগী ওইবা ৱাফম ওইবনা সেলেক্ট কম্মিটি অমদা থারগা য়েংহনসি, করিগুম্বা সেলেক্ট কম্মিটি অমদা বিল অসি থাদৌ হায়বা য়াদ্রগদি হাউসতগী ৱার্ক আউট তৌবা নত্তনা ঐখোয়গী পাম্বৈ লৈতে হায়রগা কোংগ্রেসকী মেম্বর পূন্নমক হাউসতগী মপান থোকখি।
লোক সভানা পাস তৈখ্রবা সিটিজন এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৯ হয়েং লোক সভাদা পুথোক্লবা য়াই। লোক সভাদা বিল অসি খন্ন–নৈনবদা কোংগ্রেস অমসুং ওল ইন্দিয়া ট্রিনামুল কোংগ্রেসতি লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈগদৌরি। অদুমকপু বিল অসি পাস তৌবা ঙমগদ্রা নৎত্রগা ঙম্লোইদ্রা হায়বদুদি হয়েং খঙগনি। ওপোজিসনশিং মান্নরগা বিল অসিগী মায়োক্তা লৈখ্রগদি লৈঙাক্লা পুথোক্লিবা বিল অসি পাস তৌনবগী মরম লৈতে। মরমদি রাজ্য সভাদা এন দি এগী মশীং মেজোরিটি ওইবা ঙমদ্রি। অদুমকপু কোংগ্রেস অমসুং এ আই টি সি নত্তনা অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিং দি বিল অসিগী মায়োক্তা লৈগদবা মান্দে হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফঙবা পাউনা হায়রি।

# তুমিন্না লৈশিল্লোইঃ এম এস এফ...

*লমায় ১গী মখা* তৌখিবা অসিনা মীরমদগী হায়বদি পাকিস্তান, বাংলাদেশ অমদি অফগানিষ্টানচিংবা লৈবাকশিংদগী লো কায়না চঙলকপা মীওইবু লৈবাক অসিগী সিটিজন অমা ওইবগী অয়াবা পীরে। মসিনা হ্যুমেন ফোর্স অমা শেমগৎতুনা মীশিং য়ামজদবা অৱাং নোংপোক লমদম অসিবু য়োৎশিন্নবা হোৎনবগী অচৌবা লাঞ্জং অমা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অতম্লনা শিল্লে হায়বদু ফোঙদোক্লে। অৱাং নোংপোক লমদম অসি মতৌ করম্না য়োৎশিনসিগে হায়না খনবদা ৱারবা ইন্দিয়া বিল অসি পাস তৌদুনা মীশিং য়াম্লবা ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্ট কয়া ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহন্নবা লাল্লোং অমা য়াৎলগা অৱাং নোংপোক লমদম অসি খুবাম চেৎনা পায়শিনগে থৌরাংবনি হায়না এম এস এফনা লৌই।
চেরোল অসিনা হায়, নেসোগী লমজিং মখাদা অৱাং নোংপোক লমদমগী মহৈরোই লূপ কয়াগা খুৎশম্নরগা হায়রিবা বিল অসি পাস তৌদনবা খোঙজং কয়া মতম কয়াদগী চঙশিল্লকপদা এম এস এফনা মোরেল সপোর্ট তৌদুনা লাক্লি। ঙসি অৱাং নোংপোক লমদম পুম্বদা বিল অসি পাস তৌখিবগী মায়োক্তা চত্থখিবা খোঙজংদা ত্রিপুরা ষ্টেটকী খুমুলুং,ৱেষ্ট ত্রিপুরা, মাধবরি সব–দিভিজনগী মফমশিংদা ওল ত্রিপুরা ইন্দিজেনিস ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসনগী ভলুন্টিয়ার অমদি ইন্দিজেনস ত্রিপাসা পীপলস ফ্রন্টকী য়ুঠ ৱিংগী থৌমীশিংদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্তুনা মীওই ১৮ রোম অশোক–অপন নংহনখিবদু এম এস এফনা লুম্না লৌই হায়রি।

# নেসো অমদি ট্রেদ য়ুনিয়নগী বন্দনা মীয়ামদা চৈথেং...

*লমায় ১গী মখা* হরাউ–কুম্মৈগী থৌরম অমত্তা পাঙথোক্লখিদে।
লৈঙাক্কী অমদি লান্নাইগী স্কুল–কলেজশিং থোঙ হাংনখিদে। লম্বীদা লনাইগী গারী খরখক নত্তনা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা মখল খুদিংমক্কী গারীশিং চেন্নখিদে। দিষ্ট্রিক্ট অমগা অমগা ফাওনা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌরিবা য়াওনা লালোন ইতিক্কী পোৎ–চৈ পুথোক পুশিন তৌরিবা মখল খুদিংমক্কী গারী চেন্নখিদবনা লমদমসিগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা পিখ্রে।
অমরোমদা, ঙসিগী খোঙজং অদুবু শৌগৎপনি হায়বা এমসুগী থৌমী ৭ পুলিসনা ফাজিনখ্রে। ফাজিনখ্রবা থৌমীশিং অদুদি, থৌবা লাইশ্রম, ৱাই বিজান্দো, পেবম জেট, ধনচন্দ্র খায়দেম, কাঙজম রোহেঞ্জিৎ, শিঙ্গাম জিতেশ্বর অমদি বিদ্যাসাগরনি।
নুমিদাং অথেংবদা পুলিসতগী ফঙবা পাউনা হায়,ফাজিল্লুবা মখোয় তরেৎমক থাদোকখ্রে। মোব কন্ট্রোল তৌননবা ঙাইহাক ফাজিল্লুবনি।

# দেসামঃ অমম্বা নুমিৎ ওইহৌরনি...

*লমায় ১গী মখা* ইন্দিয়াদগী পোলিটিকেল ওতোনোমী অমা তান্নবা দেসামনা হৌজিক্তগী হৌনা শেম–শাদুনা লৈরে হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খঙজিনগদবনি হায়না মহক্লা মখা তাখি।
বিল অসিগী মতাংদা অৱাং–নোংপোক ষ্টেটশিংগী চিফ মিনিষ্টরশিংনা মাগী মাগী ফিরেপ লাওথোকখ্রে। হৌজিক সেন্তরদা নত্তনা মণিপুরদসু গভর্নমেন্ট পায়রিবা বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী ফিরেপসি করিনো হায়বসি নোংমা নিনিগী মনুংদা খঙহনবগা লোয়ননা মণিপুর মীয়ামগীদমক করি ফিরেপ লৌগদৌরিবগে হায়বসি দেসামগী মাইকৈদগী হংনিংই।
অমরোমদা, বিল অসিগী মায়োক্তা অৱাং–নোংপোক শিনবা থুংনা ঙসি মায় পাক্লা খোঙজং চংশিনখিবা অসি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা খুন্দারিবা য়েলহৌমীশিং অমত্তা পুনশিনবা হৌবগী খোঙথাংনা হায়না লৌদুনা হরাওবা নুঙাইবা ফাওজে। অদুবু ত্রিপুরাদা চংশিনখিবা খোঙজংদা মফমদুগী পুলিসকী এক্সনদা মীওই ৬ অশোক অপন নংহন্নখিবা থৌওং অদুগীদমক নুঙাইতবা দেসামগী মাইকৈদগী ফোংদোকচরি হায়খি।
করিগুম্বা বিল অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌরকপা তারবদি নোর্থ–ইষ্ট ষ্টেটশিংদা ঙসি ওইখ্রিবা ফিভমসিদগী হেন্না শাথিবা ফিভম অমা ওইরক্কনি হায়না ইদিসননা মখা তানা ফোংদোকখি।

# লল্লোন–ইতিক্তা মতেং পাঙগনিঃ ডা. জো ম্যিন্ট মাউং

*লমায় ১গী মখা* লৈবাকশিংগী মতেং য়াওদনা লৈবাক অমা চাউখৎপা ওইথোক্লোই হায়খি।
ম্যানমার অমসুং ইন্দিয়া অসি ম্যানমারগা নিংতমদ্রিঙৈগী মমাংদগী নক্লবা মরি লৈনদুনা লাক্লি। ম্যানমারনা ইন্দিয়াগা লল্লোন ইতিক তৌননিংবগী অচেৎপা অপাম্বা লৈ হায়খি। লোয়ননা মণিপুরগা লল্লোন ইতিক তৌনবদা ম্যানমার লৈঙাক্লা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাঙগনি হায়খি।
মহাক্না মখা তানা হায়,ইন্দিয়ানা ঙমখৈদা বোর্দর হাট শাবগী থবক লৌখৎলক্লিবা অসি য়েংলগা ম্যানমারগী মায়কৈদগীসু বোর্দর হাটশিং ম্যানমারগী লমখৈদা শাদুনা মদু করম্না চল্লাইবা অমসুং করি তৌবা য়াগদগে হায়বদু য়েংশিনগনি।
মন্দলে রিজন অসি মপুং ওইনা লৌউ শিংউবগী লমদম অমা ওইবনা মরু মরাং অমসুং হৱাই চেঙৱাইশিং ইন্দিয়াদা এক্সপোর্ট তৌরিবনি। মসি হেন্না মায় পাক্লা চংশিন্নবা লৈবাক অনিগী মরক্তা মপুং ওইনা মণিপুর লৈঙাক্লা এম ও য়ু অমা খুৎয়েক পীনবা তঙাইফদে হায়খি। লোয়ননা ইন্দিয়াদগী ম্যানমারনা হারশিং লৈরিবা অসি এম ও য়ু অমা ইন্নরগা চত্থবনা হেন্না খুদোংচাহনগনি হায়খি।
ইন্দিয়া অমসুং ম্যানমারগী মরক্তা তৌনরিবা ইল্লিগেল ত্রেদশিং অসি থিংবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি। মহাক্না মখা তানা হায়, হান্নদি ফোরেন ইনভেষ্টরশিংনা ম্যানমারদা ইনভেষ্ট তৌবা লাকপা মতমদা মখোয়গী প্রোজেক্ট অদু ম্যানমার ইভেষ্টমেন্ট কম্মিসন্দা পীশিনহনলম্বা অদু য়ুএস মিলিয়ন দোলর ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা প্রোজেক্টশিংদি রিজনেল গভর্ণমেন্টতা অয়াবা পীবগী দায়ত্ব অদু শিন্নখ্রে। মরম অসিনা মণিপুরদগী ইনভেষ্টরশিংনা ইনভেষ্ট তৌনিংবা লৈরবদি থা অহুমগী মনুংদা অয়াবা পীরম্বা অদু চয়োল অনিগী মনুংদা পীগনি হায়না ফোঙদোকখি।
সেমিনার অদুদা চীন ষ্টেটগী চীফ মিনিষ্টর উ সলাই লিআন লুআইনা হায়, চীন ষ্টেটনা মণিপুরদগী মুগাগী লংশিং লৈনিংবগী অপাম্বা লৈ। মসিগী হিরম অসিদা মণিপুরনা মতেং পাঙবীরবদি নুংঙাইগনি হায়খি।
চীন ষ্টেট অসি চীংগী লম ওইবনা মরম ওইরগা মণিপুর অমসুং চীন ষ্টেটকী মরক্তা ইকো টুরিজম প্রোজেক্টশিং পায়খৎপদা মতেং পাঙননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।
ষ্টেট অদুদা হায়দ্রো পৱার পুথোক্লবা পোটেন্সিয়েল য়াম্না লৈরবসু স্কিল অমসুং তেক্নোলোজিগী অৱাৎপা লৈবনা থবক ওইনা চংশিনবা ঙমদবা লৈ। মসিদা মণিপুরনা মতেং পাঙবীয়ু হায়খি।
চীন ষ্টেট অসি নিকেল অমসুং ক্রোমাইট মরাং কায়না ফংবা লমদম অমা ওইবনা হিরম অসিদা ইনভেষ্ট তৌনিংবা লৈরবসু লৈঙাক্লা মতেং পাঙগনি হায়খি। লোয়ননা চীন ষ্টেট অসি ম্যানমারগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা সোসিও ইকোনোমিক জোন ওইনা লাওথোকপা মরম্না মফম অসিদা তেক্সশিং চহী ৭ কী ওইনা কোমথোক্লে হায়খি।
সগাইং রিজনগী এম পি উ ম্যিন্ট নাইং উনা হায়, মণিপুরদগী সগাইং রিজননা মৈ লৈবদা য়ুনিট অমদা লুপা ৬কী চাংদা লৈরিবা অসি খর হম্বুহনবীবা য়াগদ্রা হংখি।
সেমিনার অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ অমসুং পৱার টি ঐচ বিশ্বজিৎনা হায়, ইন্দিয়া অমসুং ম্যানমারগী মরক্তা জোইন্ট ত্রেদিং কম্মিতি শেম্বগী অয়াবা লৌবগী ৱাফম অসি মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়ার্সকী অয়াবা লৌরগা চংশিনগনি। অথুবা মতমদা মসিগী থবক অসি লৌ–খৎকনি।
ম্যানমারদগী এগ্রিকলচরগী পোথোকশিং লৈবগী মতাংদা এম ও য়ু তৌনবদা কায়দে অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অয়াবা অমা লৌবগী তঙাইফদবা লৈরি। মসিগা লোয়ননা হার লৈবা য়োনবগী মতাংদা এম ও য়ু অমা খুৎয়েক পীবগী ৱাফম অসিসু এম ই এগী অয়াবা লৌবা মথৌ তারি।
মণিপুরদগী মুগাগী লং লৈবা য়োনবগী ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টরগী থাক্তা পুখত্তুনা খন্নরবা মতুংদা মতেং পাঙনবা হোৎনগনি। লোয়ননা ইকো তুরিজমগী থবক অসি হেন্না মায় পাক্ল চংশিনবা য়ানবা হোৎনবদা মতেং পাঙনবা তঙাইফদে হায়খি।
ম্যানমারনা ইন্দিয়াদগী মৈ য়ুনিট অমদা লুপা ৬ তা লৈরিবা অসি তামুদা তৌনখিবা য়ান্নচেরোল অমগী মতুংইন্না লেপখিবনি। মসি হম্বুহন্নবগী ৱাফম অসি করি তৌবা য়াবগে য়েংশিনগনি হায়খি। লোয়ননা ম্যানমার মনুংদা ফংলিবা কয়লাগী চাং অদু য়েংলগা মফম অদুদা ঠার্মেল পৱার প্লান্ট অমা শানবগী ৱাফম অদু করি লৈবগে য়েংশিনগে হায়খি।
মসিগা লোয়ননা তেক্সটাইল প্রমোসন এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম অসিগী মতাংদদি মিনিষ্ট্রি ওফ তেক্সটাইলসকা তান্নরগা লেপকনি হায়খি। কালেমিউদা ভিজা সেন্টর অমা লিংনবা লমদম অসিগী লল্লোন ইতিক তৌবা মীওইশিংগী দিমান্দ অমসুং ম্যানমারদা ভিজা ফি য়াম্না ৱাংলিবা অসি হম্বুহন্নবা লৈঙাক অদুগী মীৎয়েং মিনিষ্টরনা চিংশিনখি।
থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা লোয়শংশিংগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

# মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেননা চহী ১২ দা কেস ৭৬১ লৌখৎখ্রে, ৫৮৫ ক্লোজ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারী ৮ (এস এন এস) ঃ
মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেননা ইং ২০০৭ তগী ঙসি ফাওবদা পুন্না কেস ৭৬১ লৌখৎপগী মনুংদা কেস ৫৮৫ ক্লোজ তৌখ্রে। লাকখিবা কেসশিংগী মনুংদা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী কেসনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না লাক্লি।
হৌখিবা চহী ১২ অসিগী মনুংদা ইং ২০১১ দনা কেস খ্বাইদগী য়াম্না লাকখি অমসুং খ্বাইদগী য়াম্না ক্লোজ তৌবা ঙমখি। মথংদা চৎলিবা চহী ইং ২০১৮ অসিগী দিসেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা পুন্না কেস ১০৫ লাকখ্রে। লোয়ননা কেস ৫৮ ক্লোজ তৌখ্রে।
চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা লাকখিবা কেসশিংগী মনুংদা নুপী লোনবগী কেস ৮, য়ুম থাদোক্লগা চৎখিবগী কেস ৫,খায়নবগী কেস ১, দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী কেস ২৬, অউনপোৎকা মরি লৈনবা কেস১, ইমুং মনুংগী নুংঙাইনদবগী কেস ৪, নমথাক তৌবীবগী কেস ১১, তাথি তাওইনা তৌবিবগী কেস ১৪, কিদ্দনেপ্পিংগী কেস ১, লমগী চয়েৎনবগী কেস ১, মেন্টিনেন্সকী কেস ৩, মেত্রিমোনিয়েল দিসপ্যুট কেস ৩, হাৎলম্বগী কেস ১, ফুৱী চৈবীবগী কেস ৫, পুলিসনা থৌশাবীদবগী কেস ১, লনথুমগা মরি লৈনবা কেস ৩, রেপ কেস৪, সেল্টরগী কেস ১, অওৎ অনৈচত্থবগী কেস ৫, অতৈ অতৈ কেস ৫ নি।
চহী অসিগী ওইনা কেস ৫৮ ক্লোজ তৌখি কেস ৪৭ না হৌজিক হৌজিক চত্থনরি।
হিরম অসিগী মতাংদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেনগী চ্যারপার্সন ডা.মৈনম বিনোতানা হায়, হৌজিক ফাওবগী ওইনা লাক্লিবা কেসশিংগী মনুংদা অয়াম্বনা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী কেসনা মশীং হেন্না লাক্লি।
কম্মিসন অসিনা হৌখিবা চহী ইং ২০১৭ তা তোঙান তোঙানবা থৌদোক্কা মরি লৈননা স্পোট ইনক্বালি ২৭ চৎখি লোয়ননা ইং ২০১৮গী জনুৱারি থাদা স্পোট ইনক্বারি ১ চত্থখি হায়খি।
হৌজিক কম্মিসন্না ক্লোজ তৌরে হায়রিবা কেসশিংগী মনুংদা কেস খরদি লোইশিনখিবনি, খরা অমনা হেন্না ৱাংবা কোর্ট অমদা চৎখিবা অদুসু কম্মিসিনগী ওইনদি কেস অদু ক্লোজ তৌরে হায়না পাগনি হায়খি।
ইং ২০০৬কী দিসেম্বর ১২দা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেন এক্ট, ২০০৬কী মখাদা ষ্টেট্টরি বোদি অমা ওইনা লিংখিবা কম্মিসন অসিনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা নুপীশিংগী অৱা অনা খুদোংচাদবা মতমদা মতেং পাঙদুনা লাক্লি।
কম্মিসন অসিনা হেক লিংখৎলকপদগী চহী ১২ অসিগী মনুংদা ইং ২০১১ দা কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্না লাকখি। চহী অসিদা পুন্না কেস ১২৪ লাকখি, মসিগী মনুংদা কেস ১২২ ক্লোজ তৌখি, কেস অনি লেমহৌখি হায়খি।
কম্মিসন অসিনা লমদম অসিগী নুপীশিংনা অৱাবা তারবা মতমদা মতেং পাঙদুনা লাক্লবসু কম্মিসন মশামকসু হৌজিক খুদোংচাদবা অমসুং অৱাৎ অপা কয়া লৈরি। অৱাৎ অপাশিং অসি মেনশিনবীনবা লৈঙাক্তা অইবা চেরোল পীদুনা হায়জখিবা লৈরে হায়না চেয়ারপার্সননা ফোঙদোকখি।
মহাক্না হায়, কম্মিসন অসিনা লোক অদালট পাঙথোকপা অমসুং থৌদোকশিংগী স্পোট ইনক্বারি চত্থবা মতমদা অহেনবা সেক্যুরিতিগী তঙাইফদবা লাক্লি। মরম অসিনা কম্মিসন অসিদা পীরিবা পুলিসকী মশীং অসি হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ।
কম্মিসন অসিগী ওইনা মেনপৱারগী অৱাৎপা কয়া লৈরি। হৌজিক কম্মিসন অসিদা চেয়ারপার্সন অমা, মেম্বর ৩ অমসুং ক্লারিকেল ষ্টাফ ১২ খক লৈরি। কম্মিসন অসিদা রাপোর্টিয়র অমত্তা লৈতে। মসি মেনখৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। মসিদা নত্তনা অহেনবা মেনপৱার খরা হাপ্পীবগী তঙাইফদবা লৈরি।
কম্মিসন অসিগী ওইনা মতিক চাবা ওফিস অমগী তঙাইফদবা লৈ। হৌজিক লৈরিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সি ওফিস কমপ্লেক্সকী ওফিস অসি কা অনিখক্তনা খাজিল্লগা চল্লাইবনি। কম্মিসন অসিগী ওইনা কাউসেল্লিংগী তঙাইফদবা লাকপদা মদুগী ওইবা তোঙানবা কা অমা লৈতে। তোইলেট ফেসিলিতি লৈতে ফর্নিচরগী অৱাৎপা কয়া লৈরি হায়খি। মরম অসিনা লৈঙাক্লা অৱাৎপশিং অসি মেনখৎপীদুনা কম্মিসন অসি হেন্না মপুং ফানা থবক তৌবা ঙম্বা কম্মিসন অমা ওইহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

# জেনরেল ষ্ট্রাইক শৌগৎতুনা মোইরাং লমখাই বাজারদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ৮ঃ
ইন্দিয়াগী তোঙান–তোঙানবা ট্রেদ য়ুনিয়ন ১০ (তরা)না তানখিবা দিমান্দশিংবু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা তাবীখিদবগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা ওল ইন্দিয়াগী ওইনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইকপু শৌগৎলদুনা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা কেন্দ্র অহুম–মোইরাং,কুম্বী অমসুং থাঙ্গগী ওইবা অপুনবা ৱাকৎ মীফম অমা মোইরাং লমখাই বাজারদা পাঙথোকখ্রে।
অঙ্গলৱাদি ৱার্করস,হেল্পরস এন্দ মিনি ৱার্করস য়ুনিয়ন,মণিপুর মোইরাং আই সি দি এস প্রোজেক্টনা ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদু পাঙথোকখিবনি। মোইরাং, কুম্বী অমসুং থাঙ্গগী মনুং চন্না লৈবা মীওই কয়ানা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখি।
ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা অঙ্গলৱাদি ৱার্করস,হেল্পরস য়ুনিয়ন, মণিপুরগী ষ্টেট জেনরে সেক্রেটরী কোংজেবম সরাল দেবীনা হায়, কুমজা ২০১৮কী সেপ্তেম্বর ২৮দা ন্যু দিল্লিগী মভাস্কর হোলদা পাঙথোকখিবা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন ওর্গাইনেজনশিংগী অপুনবা মীফম্না লৌখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না ভারত পুম্বগী ওইনা চত্থবা নুমিৎ নীনিগী নেসনেল ৱাইদ জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিবু শৌগৎতুনা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকপনি। সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন এ আই টি য়ু সিগী মখাদা লৈবা য়ুনিয়ন খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা নুমিৎ নীনিগী জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি পুন্না চঙশিনমিন্নবনি। মহাক্না মখা তারদুনা হায়, তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ঙসি ফাওবদা তাবীদনা লৈরি। অঙ্গলৱাদি সেন্টরদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী থবক অসি রেগুলর পোষ্ট ওইহনবীয়ু। সোসিয়েল সেক্যুরিটিগী খুদোংচাবা লৈহল্লু, মিনিমম ৱেজেজ ওইনা থা অমদা লুপা ১৮,০০০দগী তাদনা পীবিয়ু,চহী ৬০ শুরবা থবক্তগী পোথারবা ৱার্করশিংদা পেন্সন পীবিয়ু, মান্নবা শিনফমগী মান্নবা খুৎশুমল ফঙহনগদবনি,ষ্টেট সেয়র ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পীবিয়ু। য়ুনিয়ন অসিনা মতম কয়াগী মমাঙদগী তান্দুনা লাকপা দিমান্দ অসি ঙসি ফাওবদা পীবিদবগী মায়োক্তা নুমিৎ নীনিগী ওইবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি চঙশিনবনি।
করিগুম্বা দিমান্দশিং অসি লৈঙাক্লা পীবিদ্রবদি য়ুনিয়ননা মখা তানা চঙশিল্লকপা মখল–মখাগী খোঙজঙশিংদসু শরুক য়াগনি হায়নসু মখা তাখি।

# সেক্রেটরীয়েটতা ইমপ্লোয়শিং মহৌশাগুম ওফিস কানরকখি

ইম্ফাল, জনুৱারী ৮ (এস এন এস) ঃ
মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়শিংদা ৭শুবা পে কম্মিসনগী রিকম্মেনদসন চৎনহন্নবগীদমক্তা জোইন্ট এডমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল (এমটুক অমসুং এমজিও)গী মীহুৎশিংনা চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেসবাবুগা ৱারী শান্নবদা নাকল অনীগী মরক্তা য়ান্নবা পুরক্তবদগী জনুৱারী ৮ অমসুং ৯দা ইমপ্লোয়শিংনা পাক্তননা মাস কেজ্যুল লিভ লৌগনি হায়খ্রবসু বাবুপারাদা লৈবা ন্যু সেক্রেটরীয়েট অমসুং ওল্ড সেক্রেটরীয়েট অনীমক্তদি মহৌশাগুম ইমপ্লোয়শিং ওফিস কানরকখ্রে।
অদুম ওইনমক ঙসি চত্থখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অদুনা মরম ওইদুনা অরাপ্পা মফমশিংদগী সেক্রেটরীয়েট তম্না লাকচবা ইমপ্লোয়শিংদা পব্লিক ট্রান্সপোর্টকী খুদোংচাবা মহৌশাগুম লৈতবনা অৱাবা খরা মখৈদি মায়োক্লখি হায়রি।
মশা–মশানা অঙম–অঙম্বা পাম্বৈ–উপৈ শীজিন্নদুনা ওফিস ফাওবদি কানরকখি। অদুবু সেক্রেটরীয়েট অনী অসিদা মহৌশাগুম্না ফাইল তান্নবা লাকপা মীওইশিংদি য়াম্না হন্থনা লাক্লখি।

# ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া মণিপুর যাত্রা ভেন লমথাখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারী ৮ ঃ ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়াগী মতাংদা লমদমসিগী মহৈরোয়শিংদা হেন্না লৌশিং তাহন্নবগীদমক্তঞ্চ চয়োল অমা চূপ্পা চত্থগদবা ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া মণিপুর ভেন মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরএন বিরেন্না বাবুপারাদা লৈবা চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরীয়েৎতগী লমথাখ্রে।
হিরম অসিগা মরী লৈননা সেক্রেটরিয়েৎতা লৈবা কেবিনেট হোলদা পাঙথোকপা থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর বিরেন্না হায়, জনুৱারি ১৩ ফাওবা চয়োল অমা চূপ্পা চত্থগদৌরিবা ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া মণিপুর য়াট্রা অসি দিপার্টমেন্ট ওফ ইন্দষ্ট্রিয়েল পোলিসি এন্দ প্রমোসন (দি আই পি পি)গী ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়া ইনিসিয়েটিভকী মখাদা পাঙথোকপনি।
মণিপুর অমসুং ইন্দিয়াগী তোঙানব তোঙানবা অপিকপা খুঙ্গংশিংদা লৈবা এন্টপ্রেনিয়রশিংবু থৌনা পীনবা অমসুং য়োকখৎনবগী ৱঞ্চখল্লোন্দা অসিগুম্বা যাত্রা অসি পাঙথোকপনি।
মহাক্না হায়, যাত্রা ভেন অসিনা মণিপুরগী কলেজ কয়া, ইন্সটিট্যুসন কয়া, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি লোয়ননা এম টি য়ু, এম আই টি, এন আই টি, সি এ য়ু, নিলেট, এম য়ু, ইগ্নৌ, আই আই আই টি, চুরাচান্দপুরগী লমকা কলেজ অমদি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা মারাম কলেজ য়ৌনা চৎকনি। লমথাখিবা ভেন অসিনা লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মহৈ লোয়শঙশিংগী মহৈরোয়শিংদা ষ্টার্টঅপকী মতংনা মতৌ করম্না এন্টরপ্রেনিয়রসকী লমদা চঙশিনবা য়াহনগদগে হায়বনচিংবা খঙঙনগনি। অমদি মহৈরোয়শিংদা লেরম্লিবা টেলেন্ট অদুগী মতুংইন্না মখোয়দা মথৌ তাবা লৌশিং পীবিরগা তুংগী পুন্সিদা হেন্না মায় পাকপা মীশক ওইহন্নবা হোৎনগনি। মোবাইল ভেন অসিনা ষ্টার্টঅপ ইন্দিয়াগী মরমদা অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা পোলিসিশিংগী মরমদা মীয়ামদা এৱার্নেস পীগনি লোয়ননা হেন্না কুপথবা ট্রেনিং ফংহন্দুনা বিজিনেসকী লম মায়পাকপা মীশমশিং পুথোক্লবা হোৎনগনি।
মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ষ্টার্টঅপকী অহানবা রাউন্দগী ওইনা ইন্টরপ্রেনিয়র্স ৩৩৪ আইদেন্টিফাইদ তৌরে। মসিগী মনুংদা ২৯ না রেভিন্যু ষ্টেজনি, ১০৫ না ই এসএস ষ্টেজনি, অদুগা ২০০ না আইদিয়া ষ্টেজনি। ই এসএস ষ্টেজগীদি লম্ফেলগী আই সি এমদা ট্রেনিং লোইখ্রে। অদুগা রেভিনু ষ্টেজগী এন্টরপ্রেন্যুর ২৯ দা লুপা ক্রোর ১, ই এস এস ষ্টেজ অমসুং আইদিয়া ষ্টেজদা লৈরবা এন্টরপ্রেনিয়ুর অমমদা লুপা লাক্ষ ৩ পীনবসু থৌরাং লোইরে।
মসিগা লোয়ননা ষ্টার্টঅপকী অনীশুবা রাউন্দকী মীওইশিংগী মিংসু অথুবা মতমদা সোর্টলিষ্ট তৌরগনি। অনীশুবা রাউন্দগীদমক্তা মীওই কয়ানা এপ্লিকেসন থারকই। মখোয়গী লমশিং অদু নীংথিনা য়েংশিনলবা তুংদা ফন্দগী চাং লেপকনি।
পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মণিপুরদা এন্টপ্রেনিয়রসিপ লিংখৎতুনা লোয়ননা অএনীবা ৱাখল পুথোকপদা পূক্লিং থৌগৎপিদুনা লমদম অসিবু চাউখৎপা শেলঃথুমগী ফিবম অফবা অমদি থবক–ফংদবগী সমস্য লেপতনবা হোৎনরি। লৈঙাক অসিনা লমদমসিদা মতিকচাবা এন্টপ্রেনিয়রগী মশীং য়ারিমখৈ হেনগৎহন্নবা হোৎনগনি।
ষ্টার্ট অফ যাত্রা অসিনা এন্টরপ্রেনিয়রসিপপু ইশাগী কেরিয়র চোইজ ওইনা খন্দুনা জোক সিক্কর ওইবগী মহুত্তা থবক পীবা ঙম্বা মীশক অমমম ওইদুনা এন্টপ্রেনিয়রসকী পামম্বৈনা পুন্সিদা মায় পাকপা মীশক ওইরসি। ষ্টার্টঅপ মণিপুর ভেন যাত্রা অসি মায় পাকপা ওইহনসি হায়সু ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ান নেসনেলিজমদা য়েংবগী মহুৎতা...

হান্নগী মখা...
ৱাখল্লোন অমনি,ৱাখল্লোন অসি মাঙলক্লগদি লূপ অদুগী মতিক ময়াই চম্লকই। হৌজিক এম পি পিগী দুকান শান্দোকপগী লাক্লিবা শেনফম অদু মুন্নবনি। এম পি পিগী কাঙলূপ অমনা লালহৌবা ময়ামদা লান্না শন্দোক্তুনা এম পি পিদা ওনশিন্দুনা শেল খায়হল্লি। মাওইষ্টতসু হায়রিবা কাঙলূপ অসিমক্লা এম পি পিদগী শেল খায়য়ু হায়দুনা লাকই অদুবু লূপ অসিনা কুপ্পা য়েংলি,অথুবদা ৱারেপ অমা মীয়াম খঙনা লাউথোক্কনি। মাওইষ্টকী শেন্মীৎলোনগী কাঙলোন লৈজে মরম অদুনা লূপ অসিনা শেল ফঙনবগীদমক কৈদৌনুংদা ঐখোয়গী কাঙলোনগী ৱাংমদা চত্তে। অসুম্না লূপ অসিনা সলাই হোল্ডিংসকী কাঙলূপ্তসু শেলগী দিমান্দ তৌবা অমদি লান্নাই নুংঙাইতবা ৱাফম অমত্তা ফাওবা লৈতে। সলাই হোল্ডিংস অমদি মাওইষ্ট অনীগী মরক্তা মুক্লবা অমা থোক্লিবসি লূপ অসিগী লন্নাই ওইবা ৱাফমদা নত্তে অদুবু ৱাফম অসি ময়ামদা মিমাঙ থোক্লা থম্বদা অতোপ্পা কাঙলূপ অমগী ইকায়খুম্নবদা চাওনা শোক্কদবা মরম্না লূপ অসিনা ফোঙদোক্তনা নুংদা লোৎতুনা পুবনি। ঐখোয়না সলাই হোল্ডিংস য়াওনা মণিপুরগী শিন্নীৎলোন ফগৎনবা হোৎনরিবা খুদিংমকপু মপুং ফানা শৌগৎকনি। তৌগুম্বসু তৌফম থোকপা চাংদগী হেন্দোক্তুনা লৈঙাক্তা অতম্লনা মতেং পাঙশিনবা মানবা থবকশিং তৌরকপদি য়ারোই হায়বদু পারা অমা ওইনবা অথীংবা থমখিবনি। অদুম ওইনমক রিজনেলিজমগী ৱাখল্লোনবু লূপ অসিনা ইকায়খুম্নবা উৎপগী অহানবা খোঙকাপ ওইনা সলাই হোল্ডিংসতা থম্লম্বা অথীংবা খুদিংমক কোমথোক্তুনা রিজনেলিজমদা য়ুম্ফম ওইবা লন্নাই মীওইশিং অমদি লূপ খুদিংমক অমত্তা ওইনা চৎমিন্নদুনা ইন্দিয়ান এক্সপান্সনগী দোমিনেসন অসি মুখৎমিন্নসি হায়না পাউজেল পীজরি। লোয়ননা মরী লৈনবা খুদিংমক্লসু রিজনেলিজমগী ৱাখল্লোন পাম্বশিং পুন্না চৎমিন্নবগী তঙাই ফদবা অদু খম্বুবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।(লোইরবা)

# লম্বী মতাইদ ইঙ্গুাং থাদুনা চানরিবা ফয়েংনা...

*লমায় ১গী মখা* মমাঙদগী লৈরক্লবা লূ–নান্না লৈবগী চৎনবীসিনা মিসন অসি মায় পাকহনবতা অচৌবা মতেং ওইরি। স্বচ্ছ ভারত মিসন অসি মপুং ওইনা চহী মঙাগী মনুংদা ইন্দিয়া পুম্বা লূ–নান্না থম্বা অমদি লম্মাং–তুম্মাংদা অমাং–অশোয় তৌহন্দবা হায়বা পান্দমদা হৌদোকখিবনি। জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধীগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওনদা ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা গভর্ণমেন্টনা হৌদোকখিবনি। খোঙজং অসিগী মিসন কো–ওর্দিনেটরনা দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসন মিনিষ্ট্রিনি।
ফয়েংদা লম কোইবা লাকপা বিক্রমনা হায়, লম্বীগী নাক–য়েৎতা ইঙ্গুাং–নাপী থাদুনা চানবা হায়বসি অঙকপা ওইবতা নত্তনা পূক্লিং থৌগৎনিংঙাইহনি। মসিগুম্বা মওং অসি অতোপ্পা মফমশিংদা মরুওইনা সিটিগী মফমশিংদা চত্থনরল্লবদি লূ–নান্না লৈবতা মতেং ওইগনি।
ফয়েংদগী পিয়ানন্দনা হায়,–খুঞ্জাশিংনা মহৌশাগী অকোয়বগী ফিভম ঙাক–শেন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। খুঙ্গং অসিগী ওইবা উয়োক চীং তোঙান্না থম্মী। উয়োক অসিদা খুলগী ‘লেন্দ ফোরেষ্ট অমসুং প্রোটেক্সন কম্মিটি’গী অয়াবা য়াওদনা ঊমংদা চঙবা অমসুং উ য়ানবা য়াদে। কনাগুম্বনা অয়াবা য়াওদনা উ য়াল্লম্বা থোক্লবদি ফাইন থীগনি অমসুং উ য়ানবা অদু থেংনবা মীওইনা কম্মিটিদা পাউ পীদ্রবদি মহাকসু ফাইন থীগনি। খুঞ্জাশিং অসিনা মহৌশাগী ফিভম কন্দুনা থম্নবা হোৎনবা অসিনসু অচৌবা মরম ওইদুনা দাইরেক্টোরেট ওফ এনভাইরোনমেন্টনা,ইনভাইরেনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ মিনিষ্ট্রিগী নেসনেল এদাপটেসন ফন্দ ফোর ক্লাইমেট চেঞ্জগী শেম্বুং মখাদা ‘ মোডেল কার্বোন পোজিটিভ ইকো–ভিলেজ ইন ফয়েং ওফ মণিপুর হায়বা প্রোজেক্ট পায়খৎলি।

# ময়াই কাবা দ্রগ কয়াগা ফাখিবা লুখোসৈ...

*লমায় ১গী মখা* এডভাইস তৌরকপা মতুং ইন্না থা অসিগী ৫দা জেনিমস হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখিবনি। মদুগী মতুংদা মহাক ইন্টরিয়ম বেল পীখিবনি। মখা তানা মহাক্কী ইন্টরিয়ম বেল অদু ঙসিদগী চৎনররোই, মহাক খুদক্তা কোর্টতা সরেন্দর তৌগদবনি হায়না কোর্ট অসিনা খঙহনখি। কোর্টকী য়াথং অসিগী মতুং ইন্না মহাকপু ক্বার্টরদা অমসুং ময়ুমদা থীবদা ফঙদবদগী ৱারেন্ট ইশু থোকখিবনি হায়রি।